মেঘালয়ানা অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎলুবা মিনিষ্টর, ওফিসলশিংগী তোখায়বা প্রোতোকোল ফোঙখ্রে

শিল্লোং, জুন ২৪ (এজেন্সি):
মেঘালয়া গভর্নমেন্টনা অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎলুবা মিনিষ্টর অমদি ওফিসলশিংগী তোখায়বা প্রোতোকোল অমা ফোঙখ্রে।

দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর প্রেষ্টোন তিন্সোংনা হায়খি মদুদি, মিনিষ্টর অমদি ওফিসল পুম্নমক অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎলুবা তারবদি আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌগদবনি। মণিপুরদা চৎলুবা চীফ মিনিষ্টর কোনরেদ কে সংমানা হল্লক্লবা মতুংদা ক্বারন্টিন তৌখিদবগী থৌওংবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি।

পোলিটিকেল ক্রাইসিস লোইশিলহন্নবগী পান্দমদা সংমানা অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সরমগা লোয়ননা মণিপুরদা চৎলুবনি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সংমাবু টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখি। অদুমওইনমক অনৌবা প্রোতোকোলগী মতুং ইন্না অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎলুবা মীওই খুদিংমক আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌবা তঙাইফদে হায়না তিন্সোংনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবা মীওইশিং মহৌশাগী মতৌগুম মশাগী মথৌ পাঙথোকপা য়াহনগনি। হান্দক্কী মতাং অসিদা সংমানা মণিপুরদগী হল্লক্লগা নুমিৎ ১৪ নি ক্বারন্টিন তৌখিদবদু অচুম্বা থৌওং নত্তে।

চৈরকসিদা, হেল্থ মিনিষ্টর এ এল হেকনা হায়খ্রে মদুদি, অনীরকশুবা ওইনা মণিপুরদা চীফ মিনিষ্টর চৎখিবগী পাউ ফংলে। জেনরেল প্রোতোকোলগী মতুং ইন্না অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎলুবা মীওই খুদিংমক নুমিৎ ১৪ নি ক্বারন্টিন তৌগদবনি।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯গী পেসেন্ট ৪ ফগৎলকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা লায়েংবদগী ফগৎলকপা মীওই পুন্না ৪১ শুরে। খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী এক্তিভ কেস ৪ খক্তং ঙাইরি। পুন্না মীওই ৪১ দি লায়েংবদগী ফিভম ফগৎলক্লে। হৌজিক ফাওবদা মীওই অমা লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। ঙসিসু মীওই ৪ ফগৎলকপদগী ষ্টেট অসিদা রিকোভরিগী রেট চাদা ৯০ য়ৌশিল্লক্লে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

টেক্স খোমগৎপগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

দিমাবুর, জুন ২৪ (এজেন্সি) :
নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি)দা য়াওবা লূপ খরনা দিমাপুরগী দুকান অমসুং লল্লোন-ইতিক তৌফমদগী টেক্স খোমগৎপগী মতাংদা দিমাপুর দিষ্ট্রিক্ট সিটিজন ফোরমনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। ফোরমগী মিদিয়া সেলনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, হান্নদগী হৌনা অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লবা দুকান ফল্লিবা অমদি লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংদগী পাক শন্না টেক্স খোমগৎপগী থৌওং অসি লাইবক থীবনি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরম ওইরগা মীপুম খুদিংমক অৱাবা মায়োক্নরিঙৈগী চৈরক্তা টেক্স খোমগত্তুনা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংদা অৱাবা পীবিগনু হায়না ফোরমনা ফোঙদোকখি।

কষ্টদিদা শিখিবগী মতাংদা থিগৎনবা তকশিনখ্রে

অগরতালা, জুন ২৪ (এজেন্সি) :
ত্রিপুরাদা হন্দক্তা মীওই কয়া কষ্টদিদা শিখিবগী মতাংদা জুদিসল ইক্বাইরি চথদুনা থিগৎপিয়ু হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা তকশিনখ্রে। চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবতা থাখিবা চেরোল অমদা মনিক সরকারনা হায়খি, কষ্টদিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং-মনুংদা লৈঙাক্না চানবা থবক অমমম পীগদবনি। হৌখিবা ওক্তোবর থাদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪ ষ্টেট অসিদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিখ্রবনি।

মখুৎ চল্লবা মীওই অমবু কষ্টদিদা হাৎপগী থৌওং অসি হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অথুবা মতমদা জুদিসল ইক্বাইরি চথদুনা মরাল লৈবশিং চৈরাকপীগদবনি।

মিজোরামদা অমুক্কসু য়ুহা হাখিবদা য়ুম ৩০ অমসুং চর্চ তরুক হেন্না অমাঙ-অতা থোক্লে

আইজোল, জুন ২৪ (এজেন্সি):
মিজোরামদা ঙসি অয়ুক থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক থোকখিবদা য়ুম ৩০ অমসুং চর্চ ৬ অমাঙ-অতা থোক্লে। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তসু রিক্তর স্কেলদা ৫.৮গী চাংদা কনবা য়ুহা হায়বগী থৌদোক থোকখিবদা অমাঙ-অতা কয়ামরুম য়াওখ্রবনি।

চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর মারিয়া সীটি জুৱালিনা হায়খি মদুদি, খোবুং ভিলেজ মনাক্তা ইপিসেন্টর ওইখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক্তা ম্যান্মারগা লোন্নবা ষ্টেট অসিগী নোংপোক অমসুং অৱাংথংবা শরুক্তা থোইদোকপা মীশি-মীনা য়াওখিদে। ষ্টেটকী মফম পুম্নমক্তা য়ুহা হাখিবা তারবসু চম্ফাই দিষ্ট্রিক্ট খক্তা অমাঙ-অতা থোকখি। প্রেসবাইটরিয়ন চর্চ, য়ুনাইটেদ পেন্টিকোষ্টেল চর্চ অমদি ইসুৱা কৃষ্টা কোহরানগী চর্চ তরুক য়াওনা খুঙ্গং মঙাদা লৈবা য়ুম ৩০ রোম অমাঙ-অতা থোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমদি দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর) মিনিষ্টর জেতেন্দ্র সিংহনা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর জেরামথঙ্গগা টেলিফোনগা ৱারী শান্নদুনা সেন্টরগী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তসু রিক্তর স্কেলদা ৫.৩গী চাংদা কনবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অমা মিজোরামদা থোকখিবদা য়ুম কয়া তেকখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা লম্বী চেকখায়খি। অদুমওইনমক থৌদোক অদুদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা অশোক-অপন য়াওখিদে হায়না ষ্টেটকী জিওলোজি এন্দ মিনরেল রিসোর্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। নেসনল সেন্টর ফোর সিসমোলোজিগী রিপোর্ট পল্লদুনা ওফিসল অদুনা হায়খি, অয়ুক পুং ৪.১০ তাবদা থোকখিবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদুগী ইপিসেন্টর ম্যান্মারগা লোন্নবা চম্ফাই দিষ্ট্রিক্টকী জোখোথারদা ওইখি। থৌদোক অদুদা য়ুম অমসুং চর্চ খরা অমাঙ-অতা থোকখিবগা লোয়ননা মফম কয়াদা লম্বী চেকখায়খি হায়রি।

ষ্টেটকী পাউ

‘আউটলেট মশীং য়াম্না থমদুনা লৌমীশিংদা হার হোঙনা ফংহল্লু’

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস):
পাট্রা পায়দবা লৌমীশিং লোকল ওথোরিটিনা ভেরিফাই তৌহন্দুনা হার পীগদবনি। আউটলেট মশীং য়াম্না থমদুনা লৌমীশিংনা হার লৌবদা শেল য়াম্না তিংদনা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি। লৌমীনা লৌপূদগী পাট্রা পীয়ু হায়বসি অনম্বনা পীনিংদে, মরম অদুনা লৈঙাক্না খূদক্তা অফবা কাঙলোন শেমগদবনি। লৌমীশিং শিরসনু, খুন্নাইসি মাঙনবগী থৌশিল অসি অসুম চথরবদি লৌমী লূপ অসিগী থৌমীশিং তুমিন্না লৈরক্লোই শির-শি চঙলা-চঙ মীয়ামগা লোয়ননা থেংনরক্লগনি হায়না নোংচুপ ইম্ফাল লৌমী শিন্মী চাউখৎ থৌরাং লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি কে ব্রজমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক লৌমীশিং লৌ পানবা হৌরকপা মতম অসিদা হারগী মথৌ তাবা অদু লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংদা হার ফজনা ফংহনবা ঙমদ্রি। মমাং চহীদা ঈকংনা মরম ওইদুনা লৌ অয়াম্বা পানবা ঙম্লখিদে। হৌজিক কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মণিপুর অসি রেদ জোন ওইরকপা য়াবগী অকিবা লৈরবা মতমসিদা লৌমীশিংনা হার লৌনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরে হায়রি। ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা লৌমীশিংনা হার লৌনবা লম্ফেলদা লৈবা মেকানাইজ ফার্ম অসিদা পাট্রা সবমিট তৌরি। করম্বা মতমদা পীগনি, হার বেগ কয়া পীগনি হংবা অমদি হার লৌবা লাকপা মীয়াম্না চিক্না চাইনবা ঙমদ্রে। কোভিদ-১৯ লায়নাগী কিনিঙাই ওইরবা মতম অসিদা লৈঙাক অমদি দিপার্টমেন্টনা তৌরিবা মতৌ অসিদি লৌমী শিরসনু হায়বগা মান্নবা থৌওংনি হায়রি।

লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা লৈত-লায়রা তাঞ্জারিবা ট্রান্সপোর্টর কয়াবুনা অথিংবা থল্লি, দুকান কয়া হাংবা থিংলি। মসিদা নৎতনা স্কুল, কোলেজ থিংলি। ওফিস কয়া সোসল দিষ্টেন্স তৌরি, মীয়াম পূনবা থিংলি। অদুবু হার বেগ খরা ফংনবা হোৎনবদা থেংনরিবা অৱাবা কয়াসি থম্মোয় শোক্না পেন্নদ্রে। লন্নাই গাড়ী লৈজদবা লৌমী কয়াদি লম্ফেল তান্না চৎলগা হার লৌবসু ঙমদ্রে। গাড়ী ৱাইদুনা চৎলবসু নুমীৎতুদা হার ফংবা নত্তে, নুমীৎ হুন্নি-মরিনি চৎতুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি।

নাকল অমরোমদা, মিনিষ্টর, এম এল এশিংগীনি হায়দুনা পাট্রা, আধার য়াও-য়াওদবা টাটা লোদ-লোদ মাংদা পুখি। শোমদনা নোংজু-নুংশা অসিদা ওফিস মমাং অমদি লম্বীদা মীনা চিক্না চাইনবা ঙমদনা লৈরি। গাড়ীনা লম্বী ফাওবা থিংলে, হার খরদা ফংলবসু শিবা কিদনা হোৎনরি। মরম অদুনা লৌমীশিংনসু খরা শাফগদবা অমদি দিপার্টমেন্টনসু কোমগদবা দি এ ওগী মখাদা লৈরিবা দিভিজন ঈ ও সর্কলশিংদা পাট্রা সবমিট তৌহল্লগা মখোয়গী লৌমী ফংগদবা তারিক, ক্বান্টিটি, সেরিএল নম্বর অদু সোসল মীদিয়াদা নুমীৎ খুদিংগী লিষ্ট খঙহনবা য়াই। হার পীরিবা মফম অদু সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না পীনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

পাট্রা পায়দবা লৌমীশিং লোকল ওথোরিটিনা ভেরিফাই তৌহল্লগা হার পীগদবনি। আউটলেট মশীং য়াম্না থমদুনা লৌমীশিংনা হার লৌবদা শেল য়াম্না তিংদনা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি। লৌমীশিংনা লৌপূদগী পাট্রা পীয়ু হায়বসি লৌপূনা পীনিংদে। লৈঙাক্না অফবা কাঙলোন খূদক্তা শেন্মীয়ু। লৌমীশিং শিরসনু, খুন্নাইসি মাঙনবগী থৌশিল অসি অমুক চথরবদি লৌমী লূপশিংগী থৌমীশিং তুমিন্না লৈরক্লোই শির-শি চঙলা-চঙ মীয়ামগা লোয়ননা থেংনরক্লগনি হায়রি।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা-য়োনবা থিংলে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস):
নোংচুপ ইম্ফাল পালেম ইমা অপূনবা লূপ (নিমপাল) লংথবাল ব্রাঞ্চনা কোল্লিবা মফমশিং মরু ওইনা নরান কোঞ্জিন, লংথবাল কুঞ্জ, হাওরৈবী, পালক করাম, তখেল্লম্বম কোঞ্জিন হায়রিবা এরিয়া অসিদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক য়ু য়োনবা, থকপা, গুলি চাবা, জ্বার শান্নবা, ময়াই কাবা পোৎলম খুদিংমক কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা পূমথিং থিংলে হায়না নিমপালগী জেনরেল সেক্রেটরি কে ঐচ কামলানা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লূপ্না থল্লিবা অথিংবা অসিগী ৱাংমদা কনাগুম্বশিংনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং য়োনবা অমদি চাবা থেংনরবদি লোগী ওইবা মতেং লৌদুনা মতীক চাবা এক্সন লৌখৎপা হায়নসু লেপ্পখি। হীরম অসিগী মতাংদা লূপ অসিগী এদভাইজর য়েদ্রেম্বম তম্ফাগী লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকাইদা লৈবা য়ুমদা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট সাপম পুর্ণিমানা ময়াই তাংবল লৌদুনা নিমপাল লংথবাল ব্রাঞ্চকী এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মীটিং অমা থা অসিগী ১৭তা ফমদুনা ৱারেপ কয়াসু লৌখি হায়রি।

য়ুবি থাবগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) :
নোংমগী ওইবা য়ুবি থাবগী ট্রেনিং পীবা অমসুং য়ুবী চরাশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা প্রো. এম প্রেমজিৎনা হায়খি, ভারত ৱিকাস পরিষদ অমদি ভারত কিষান সঙ্ঘ অনীনা খুৎশম্নরগা মণিপুরগী মফম মরি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ক্বাথা, ক্বাথা খুনৌ অমসুং সটাং ভিলেজ অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চিরুদা য়ুবী পাম্বী লিশিং ৫ গুৱাহাটিদগী থানবা পুরকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, চৎলিবা চহী অসিগী মনুংদা উহৈ পানবা পাম্বী ১৮,৪০০ রোমসু থাখ্রে। লোয়ননা য়ুবি পাম্বি লিশিং ৫ গসু থাদুনা পুন্না উহৈ পাম্বি লাক্ষ ১ রোম থানবগী পান্দমসু থল্লি হায়না ফোঙদোকখি। লৈবাক অসিদসু কোভিদ-১৯গী লায়না লায়চৎ অসিদা অয়াম্বা সেক্টরশিং থবক তৌবা য়াদ্রবসু লৌউ শিংউবা অমদি মেদিকেলগী সেক্টরদদি মপুং ফানা অদুমক থবক তৌরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা নোর্থ ইষ্টকী ভারত ৱিকাস পরিষদকী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট প্রো. সিনাম রাজেন্দ্রনা হায়খি লমদম অসিগী মীয়াম খক নত্তনা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্সু লৌউ শিংউবগী থবক তৌই হায়বদা ইকায়ফম থোক্তে। পুক্লিং শোন্থবগী মহুৎতা ৱাখল চাউথোকফম থোকই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। লোয়ননা থৌরম অদুদা ভারত ৱিকাস পরিষদকী নেসনল ওর্গনাইজিং সেক্রেটরি সুরেস জেনসু ভিদিও কনফরেন্সিংগী মতেং লৌদুনা শরুক য়াখি। সী এ য়ুগী রেজিষ্ট্রার কে মামোচা, ভারত ৱিকাস পরিষদ মণিপুর প্রান্টকী প্রসিদেন্ট এন ইন্দুভুসনসু শরুক য়ারদুনা থৌরম লোয়শিল্লকপদা শরুক য়াখিবা লৌমিশিংদা য়ুবী পাম্বী অমদি হীদাক কাপথোক্লবা পম্পশিংসু য়েন্থোকখি।

ফ্লাইট অমদা পেসেঞ্জর ১০৮ পুশিল্লকখি

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস):
দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরগী পেসেঞ্জর নুপা, নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ১০৮ রোম ঙসি এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইট এ আই-৮৮৯না ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৫১ রোম তাবদা (এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৯) ফ্লাইট অসিনা দিল্লিদগী পেসেঞ্জর নুপা ৬৭, নুপী ৩৬ অমদি অঙাং ৫ য়াওনা পুন্না মীওই ১০৮ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখি। নুংথিলগী পুং ৩.৩৫ রোম তাবদা ফ্লাইট অসিনা হনখিবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর নুপা ৪৯, নুপী ৯ অমদি অঙাং ২ য়াওনা পুন্না মীওই ৬০ পুরগা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

ফ্লাইট অসিদা ইম্ফালদা পন্দুনা লৈরম্বা ফোরেন্নর অহুমসু য়াওখি। ঙসি অয়ুক পুং ১১.১৫ রোম তাবদা দিল্লিগী অখন্নবা ফ্লাইট অমদা ভি আই পি অনী ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা থুংলখি। মখোয় অনী অদুদি বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধব অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর রাজৎ সেথিনি।

মখোয় অনীনা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা টিমনা তরাম্না ওকখি। ঙসি নুংথিল পুং ১.৩২ রোম তাবদা স্পাইসজেট (কার্গো) এম জি-৭৭১১ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদগী ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা থুংলবদা ফার্মাসিগী হীদাক, ঙা অতেকপা, ঙাগী মচীঞ্জাক য়াওনা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম পুন্না কেজি ২৯৪৫ রোম পুরকখি। ফ্লাইট অসি নুংথিলগী পুং ২.৫০ রোম তাবদা কোলকাটাগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি দিল্লিদগী থুংলকখিবা পেসেঞ্জর ১০৮ অদু ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা মেদিকেলগী ষ্টাফশিংনা থর্মেল স্কেন্নিং তৌরবা মতুংদা এয়রপোর্টতগী মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসশিংনা অমুক পুরগা ঘড়ীগী ঐচ আর দি একাদেমিদা থমখি। মতুংদা মখোয় মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওথোরিটিনা অমুক পুরগা মখোয়-মখোয়গী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা অমুক পুখি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মেগী ২৫দগী ঙসি ফাওবদা মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা পেসেঞ্জর ১২,২১৩ রোম শুখ্রে হায়রি।

ঙারাকপী ১ থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) :
য়ুনাইদেটদ এন জি ও ফোরমগী চেয়রমেন কে এন সিংহগা দল্লীয়ু বি সী সী য়াইরিপোক্কী মেম্বরশিংগা পুন্দুনা ঙসি অয়ুক ঙারাকপী অমা য়াইরিপোক ৱারোক রিজার্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা থাদোকখ্রে। উচেক অদু লৌবুক্তা থাকপা লাংদা থুরম্বদগী দল্লীয়ু বি সী সীদা পাউ পীরক্তুনা মেম্বরশিংনা লৌখৎলুবনি। কে এন সিংহনা ফোঙদোকখিবদা লমলক্কী শা-উচেকশিং ঙাকপীবা হায়বসি মীওইবা অমা ওইনা তৌদবা য়াদ্রবা অমনি। ঐখোয় মীওইবনা মখোয় য়াওদনা হিংবা ঙম্লোই হায়নসু মখা তাখি। দল্লীয়ু বি সী সীগী থৌ পুবশিংসু হোংদোক হোংজিন তৌখ্রে। থোমাসনা প্রসিদেন্ট, সুপ্লাদত্তানা ভাইস প্রসিদেন্ট, সুসিলনা সেক্রেটরী ওইরগনি।

নুপা ১ দল্লীয়ু ৱাই টেব্লেট লাখ ১গা কোন্ননা ফারে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) :
হেদ ক্বাটর আই জি এ আর (সাউথ)কী মখাদা লৈবা মোরে বাট্টালিয়নগী টিমনা ঙসি মোরেদগীনা খুদেংথাবী ফাওবা য়াবা উংমগী খোঙ লম্বীদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক (দ্রগ) পুদুনা চৎলম্বা নুপা অমা ফারে হায়রি।

সিক্যুরিটি ফোর্স উবদা অশোংবা নারক্তা ফাওদুনা নান্থোক্লবা হোৎনবদগী নুপা অদু নমদুনা ফাবনি। ফারবা নুপা অদুগী মমিংনা মিনথাং মাতে (৩৩) অপোকপা লেটজাং মাতে কৌই। মহাক টেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মোরে ৱার্দ নম্বর ৯গী লাংনোম ভেঙ খুনদা লৈবনি হায়রি। মঙোন্দগী দল্লীয়ু ৱাই টেব্লেট লাখ ১ ফংলে। হায়রিবা টেব্লেট অদু তোঙান-তোঙানবা অপিকপা পেকেট ৫০০ রোমদা হাপ্লগা পুরম্বনি হায়রি। দল্লীয়ু ৱাই টেব্লেট অদু লুপা ক্রোর ২ রোমগী ওইগনি হায়রি। দ্রগকা কোন্ননা মোরে বাট্টালিয়ন এ আর কাংবুনা ফারবা নুপা অদু মখা তাবা ৱাহং পাউহংনবা মোরে পুলিস ষ্টেসনা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

হৌখিবা চয়োল অসিগী মনুংদা লোকদাউন মনুংদা ইম্ফাল মোরে লম্বীদা বাট্টালিয়ন অসিনা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং ফাবগী থবক কন্না চথরি।

রাজ্য সভা মীখলদা মায় পাকখ্রবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) : হন্দক্তা পাঙথোকখিবা রাজ্য সভাগী মীখলদা মায় পাকখ্রবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওববু ঙসি বি জে পি নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি রাম মাধব অমদি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না তরাম্না ওকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলোদা পাঙথোকখিবা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওববু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস তিকেন্দ্র অমদি লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জনসু দাইস মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা বি জে পিগী মশক নাইরবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরমদুগা মরী লৈননা রাম মাধবনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা রাজ্য সভাগী মীখলদা মণিপুরখক নত্তনা লৈবাক পুম্বদা বি জে পিনা চাওন মায় পাকপা ঙম্লে।

দাইভর অমা শোক্লে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) :
ইম্ফাল জিরিবা লম্বীগী কে সিনামদা হৌখিবা থা অসিগী ২০গী নোংয়াই মতুংদা লম্বী নমথখিবদগী এন ঐচ আই দি সী এলগী কাংবুনা নৌনা অমুক লম্বী কক্তুনা ৱাল ফুটিংদা থবক শুরি প্রোক্লেম দ্রাইভর অমা ঙসি থবক শুরিঙৈদা চীংদা নুঙ ওন্থরকপদগী শোক্তুনা সিজ হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে। থৌদোক অদুদা শোক্লবা নুপা অদুগী মমিংদা পুখ্রম্বম ব্রোজেন কৌই। মহাক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নিংথৌখোঙদগীনি হায়রি।

অমরোমদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খেংজোই লম্বীদা জিপসি অমসু লৈখোম লৈনাংনা পুখখিবগী চৎপা য়াদনা লৈরে হায়রি। লম্বী অসি হৌজিক ফোর হ্বিল্লর গাড়ি নত্তনা চৎপা য়াদবনি হায়রি।

লেবরগী অৱাৎপা কোকহন্নবা টাস্ক ফোর্স শেম্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) :
লেবর এন্দ এমপ্লোয়মেন্ট মিনিষ্টর ডা. থোকচোম রাধেশ্যামনা ময়াই তাংবল লৌদুনা লেবর দিপার্টমেন্ট, ইমপ্লোয়মেন্ট অমদি মণিপুর সোসাইটি ফোর স্কিল দিভলপমেন্টকী ওফিসলশিংগা লোয়ননা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা লেবরগী অৱাৎপা লৈরক্লিবা অসিগী মতাংদা মীফম অদুনা কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা টাস্ক ফোর্স অমা শেম্নবা মিনিষ্টরনা খঙহনখ্রে।

বাবুপরাদা লৈবা এস এস এগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মিনিষ্টরনা হায়খি, টাস্ক ফোর্স হেক শেম্বগা লেবরগী অৱাৎপা লৈরিবা অসিগী মতাংদা দেতা খোমজিন্দুনা অথুবা মতমদা মীওই কয়া ট্রেনিং পীরগা লেবরগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকনি।

কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মাইগ্রেন্ট ৱর্কর অয়াম্বা মশা-মশাগী পোক্লফম ষ্টেটতা হনখিবা মরম্না লেবরগী অৱাৎপা লৈরে হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংনা বিল্ডিং এন্দ কন্সট্রক্সন ৱর্ক অমদি অতৈ সেক্তর কয়াদা থবক তৌরম্বনি। মাইগ্রেন্ট ৱর্কর অয়াম্বা হন্নখ্রবনিনা পেন্টিং, পাইপ ফিটিং অমদি টাইল নপ্পনচিংবগী শিনফমদা লেবর ৱাৎপগী খুদোংচাদবা মায়োক্নরে। লোকেল লেবররশিং ট্রেনিং পীরগা অৱাৎপা পুম্নমক মেনখৎপা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মপানগী ষ্টেটশিংদা তোঙান-তোঙানবা সেক্তরদা থবক তৌরুবা লমদম অসিগী মীওই কয়া হল্লক্লে হায়না পল্লদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, মপান্দগী হল্লক্লবা মীওইশিংগী মরক্তা স্কিল অমসুং সেমি-স্কিলগী মীওইশিং খঙদোক্লবা দেতা শেম্বা মথৌ তাই। মীওইশিং অদু শীজিন্নরগা লেবরগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনফম থোকই। মীফম অদুদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট) লেটখোগিন হাওকিপ, এদিসনেল সেক্রেটরি (লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্ট) টি ঐচ চিত্রা, মণিপুর সোসাইটি ফোর স্কিল দিভলপমেন্টকী মিসন দিরেক্টর কে ঐচ দাইনা, দেপ্যুটি লেবর কম্মিসনর কে বোনো অমদি বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সট্রক্সন ৱর্করস ফেদরেসনগী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি।

মীওই ৬৭৫ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) :
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ ঙাকথোক্লবা লৈঙাক্না লোকদাউন অমদি কার্ফিয়ু থমদুনা মীয়াম য়ুমদগী মপান থোক্তনবা হোৎনরিঙৈ মরক্তা লম্বীদা মাস্ক উপ্তবা অমদি সোসল সিষ্টেন্সিং তৌদবা মীওই পুন্না ৬৭৫ অমদি গাড়ি ৩৩৬ ফাগৎখ্রে হায়রি। মণিপুর পুলিসনা ঙসি তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লোকদাউন অমদি কার্ফিয়ু থুগাইদুনা থৌরকপা মীওই পুন্না ৬৭৫ অমদি গাড়ি ৩৩৬ দিটেন তৌবগা লোয়ননা মখোয়দগী লুপা ৮,২০০ ফাইন ওইনা চংখ্রে। লৈঙাক্না চথরিবা লোকদাউন অমদি কার্ফিয়ু অসিগী মায়োক্তা থোরকপশিং নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫কী মখাদা অকনবা চৈরাক পীবা য়াই হায়না পুলিসনা চেকশিন ৱা থল্লক্লি।

CROSSWORD-3484



ACROSS

- 1 Day of rest and worship (7)
- 5 Drink in large draughts (5)
- 8 Woodwind instruments (5)
- 9 Bringing up (7)
- 10 Azure (3-4)
- 11 Begin (5)
- 12 What follows (6)
- 14 Assail (6)
- 18 Skin of the head (5)
- 20 Poker-faced (7)
- 22 Exterior (7)
- 23 Two times (5)
- 24 Metric unit of capacity (5)
- 25 Magic (7)

DOWN

- 1 Husbands and wives (7)
- 2 Plunder (5)
- 3 Exonerate (7)
- 4 Large wasp (6)
- 5 Even (5)
- 6 Arabian Nights hero (3,4)
- 7 Combat (5)
- 13 Group of four musicians (7)
- 15 Farm vehicle (7)
- 16 Assassinated US president (7)
- 17 Vipers (6)
- 18 Angry frown (5)
- 19 Group of lions (5)
- 21 Amount paid (5)

Solution 3483



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3283

		9		5			3	
		6			8	2		
8	5	2		3				
					7		9	
	1		9		6		4	
	2		4					
				9		3	2	5
		5	2			7		
	3			7		9		

Solution-3282

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

9	4	2	1	8	6	7	5	3
8	5	1	4	3	7	2	9	6
7	3	6	5	9	2	1	4	8
4	7	9	8	2	5	6	3	1
1	8	3	6	4	9	5	7	2
6	2	5	3	7	1	4	8	9
2	9	4	7	6	3	8	1	5
3	1	8	2	5	4	9	6	7
5	6	7	9	1	8	3	2	4


অসিজোলনেং
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
উককশিংদু থাপ্পা চীংচেপ অমদা হুঞ্জেক্লম্মী।
অসিজোলনেং মতৈ মনাও নুংঙাইনা অমুক লৈখিরম্মী।
মতম খরগী মতুংদা চীংচেপ্তুদা হৈনৌ পাম্বীশিংদু লফু ওইনা হৌরম্মী।